নিপানশুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭

এন সী ক্লব খোঙহাম্পাৎনা সাই উৎলৌ অমসুং এইম খাবম্না কে পি এস সী ককচীংবু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচএনএস) : কুমজা ২০০৯ দা ছটিশগরদা নেক্সলাইটশিংগা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অমদা থৱায় কৎখ্রবা সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স (সী আর পি এফ) কী এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট ওইরম্বা য়ুরেম্নম মখা লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা এন জি মনোরঞ্জনবুনীংশিংদুনা পাঙথোকপা ৮শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা এন সী ক্লব খোঙহাম্পাৎনা সাই উৎলৌবু গোল ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা ঙসিগী অনীশুবা মেচতনা এইম খাবম লমখাইনা কে পি এস সী ককচীংবু গোল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (আই জি পি) মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সী আর পি এফকী মীৎয়েং মখাদা গ্রুপ সেন্তর সী আর পি এফ লাংজিং অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন (আই দব্লিয়ু দি এফ এ) না শিল্লগা ঙরাংদগী হৌদুনা পাঙথোক্লিবা ৮শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিএল ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মরিশুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ১১ তাবদগী খুমন লম্পাক্কী আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা এন সী ক্লব খোঙহাম্পাৎ অমসুং সাই উৎলৌ শান্নখি। অহানবা হাফকী ৩০শুবা মিনিটতা সাই উৎলৌগী মায়কৈদগী পেনালটি কিক অমা কাওবগী খুদোংচাবা ফংখি। পেনালটি কিক অদু এল বিশেশ্বরনা গোল ওন্থোক্তুনা মেচ অদু সাই উৎলৌনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা গোল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈহনখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা এন সী ক্লবকী মায়কৈদগী গোল হন্দোক্লবা কন্না শান্নরকখি। মেচকী ৫২শুবা মিনিটতা এন সী ক্লবকী জর্সি নম্বর ২১ নেত্রজিৎনা গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু গোল ১-১দা ইক্বেলাইজ তৌখি। মিনিট ১০ কান্নরগা মেচকী ৬২শুবা মিনিটতা অমুক এল বিশেশ্বরনা গোল অমা চন্দুনা অমুক হন্না সাই উৎলৌনা গোল ২-১দা মাঙজিল থারগা লৈখি। সাই উৎলৌগী মায়কৈদগী অনীশুবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাখিবা মিনিট অনীখক কান্নরগা মেচকী ৬৪শুবা মিনিটতা এন সী ক্লবকী জর্সি নম্বর ১১ এন জি নাওচানা গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু অমুক্কসু গোল ২-২দা ইক্বেলাইজ তৌখি। এন সী ক্লবকী মায়কৈদগী গোল ২-২দা ইক্বেলাইজ তৌখ্রবা মতুংদা টিম অনীমক্না মখা তানা অহেনবা গোল চন্নবগীদমক অকনবা এটেক কয়া চথুনরকখি। মেচকী ৭১শুবা মিনিটতা এন জি নাওচানা মহাক্কী অনীশুবা গোল চন্দুনা মেচ অদু এন সী ক্লবনা গোল ৩-২দা মাঙজিল থাখি। অহানবা হাফ অমসুং অনীশুবা হাফ হৌরকপদা সাই উৎলৌনা মাঙজিল থারম্লবসু মেচ লোইরমদাই মীকুপ্তা এন সী ক্লবনা মাঙজিল থারকখিবা অদুদা সাই উৎলৌগী শান্নরোয়শিং তৌফম খঙখিদে।

এন সী ক্লবকী অহুমশুবা গোল অদু হন্দোক্লবা সাই উৎলৌগী মায়কৈদগী কন্না শান্নরকখি। গোল হন্দোক্লবগীদমক সাই উৎলৌগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা এটেক কয়া এন সী ক্লবনা নিংথিনা দিফেন্দ তৌদুনা শান্নখি। মেচকী অপীবা মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা এন সী ক্লবকী অহুমশুবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা সাই উৎলৌ মায়থীহৌখি। অদুগা এন সী ক্লবনা মেচ অদু গোল ৩-২দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদগী কে পি এস সী ককচীং অমসুং এইম খাবম লমখাই শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফ হৌবা কুইদ্রিঙৈ মেচকী ৮শুবা মিনিটতা কে পি এস সী ককচীংগী জর্সি নম্বর ৬ এম সঞ্জিব কুমারনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না মাঙজিল থাহনখি। গোল মাঙজিল থারে হায়বগীদমক কে পি এস সীগী শান্নরোয়শিংনা মপূং ফানা নুংঙাইবা ফোঙদোকপা লোইদ্রিঙৈ মীকুপ মেচকী ৯শুবা মিনিটতা এইম খাবম লমখাইগী জর্সি নম্বর ৯ টি ঐচ ভেনদোনানা গোল অমা চল্লগা মেচ অদু গোল ১-১দা ইক্বেলাইজ তৌখি। ঙাইহাক লৈরগা মেচকী ১৪শুবা মিনিটতা অমুক এইম খাবম লমখাইগী এম দি ফয়াজউদ্দিন্না মহাক্কী অনীশুবা গোল চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ২-১দা মাঙজিল থাহনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এইম খাবম লমখাইনা গোল ২-১দা মাঙজিল থারগা চৎখি।

অনীশুবা হাফ হৌরল্লবা মতুং মেচকী ৬১শুবা মিনিটতা টি ঐচ ভেন্দোনানা মহাক্কী অনীশুবা গোল চন্দুনা মেচ অদু এইম খাবম লমখাইনা গোল ৩-১ মাঙজিল থাহনখি। মেচকী ইঞ্জুরি টাইম হায়বদি ৯০ প্লস ৱান চৎপা মতমদা এইম খাবম লমখাইগী এল গোগোচানানা মহাক্কী টিমগী মরিশুবা গোল চনখি। মেচকী ৯০ প্লস ফোর চৎপা মিনিটতা কে পি এস সী ককচীংগী জর্সি নম্বর ৯ এস ঙমনৈরিল কোমনা গোল অমা চন্দুনা কে পি এস সী অমসুং এইম গোল ২-৪দা লৈহনখি। মেচ অদু পূমলোই লোইবা ফাওবদা এইম খাবম লমখাইনা হেল্লগা চৎলিবা গোলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা কে পি এস সী ককচীং মায়থীহৌখি। অদুগা এইম খাবম লমখায়না মেচ অদু গোল ৪-২দা মায় পাকখি।

এম পি এস সীগী বোদি বিল্ডরস টিম ওকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচএনএস) : ওল মণিপুর জিম্নাজিয়ম ৱেলফেয়র এসোসিএসন (এ এম জি দব্লিয়ু এ) না শিল্লগা হন্দক্তা জি এম হোলদা পাঙথোকখিবা মিষ্টর মণিপুর খন্বা বোদি বিল্ডিং কন্টেষ্ট ২০১৭তা শরুক য়াখিবা এম পি এস সীগী বোদি বিল্ডিং টিম ঙসি তরাম্না ওকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট কয়াদগী শাফবা অমসুং শাফবী কয়ানা শরুক য়াদুনা জি এম হোলদা থা অসিদা পাঙথোকখিবা ৬শুবা মিষ্টর মণিপুর খন্বা বোদি বিল্ডিং কন্টেষ্ট ২০১৭তা শরুক য়াখিবা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সী) গী শাফবশিং অদু এম পি এস সীগী সেক্রেটরিগী থৌ পুরিবা মণিপুর পুলিসকী এ দি জি পি পি দোঙ্গেলগী ওফিসতা তরাম্না ওকখিবনি।

এম পি এস সীগী শাফবশিং তরাম্না ওকখিবা থৌরম অদুদা এম পি এস সীগী সেক্রেটরি ওইরিবা মণিপুর পুলিসকী এ দি জি পি পি দোঙ্গেলনা হায়খি, মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবকী শাফবশিংনা মিষ্টর মণিপুর খন্বা বোদি বিল্ডিং কন্টেষ্ট য়াওনা তোঙান তোঙানবা কন্টেষ্ট কয়াদা মেদল কয়া লৌরকখ্রে। মিষ্টর মণিপুর খন্বা বোদি বিল্ডিং কন্টেষ্টতসু এম পি এস সীগী টিম্না গোল্ড মেদল ৪, শিলভর ৩ অমসুং ব্রোঞ্জ ৩ লৌরকখি। এম পি এস সী টিমগী মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয় অমদি কোচপুসু এ দি জি পি পি দোঙ্গেলনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

তরুকশুবা মিষ্টর মণিপুর খন্বা বোদি বিল্ডিং কন্টেষ্টতা মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিংদি ৫শুবা এম আরগী কে অর্নোল্ড, ৭শুবা আই আর বিগী এন জি সুরচন্দ্র, ৬শুবা আই আর বিগী এল কুমারজিৎ মীতৈ, ৫শুবা আই আর বিগী আর কে মঞ্জিৎ, ৩শুবা আই আর বিগী কে ঐচ হেমন্তা, ৭শুবা এম আরগী কে ঐচ দিনেশ্বর, ৬শুবা আই আর বিগী এল ওজিৎ কুমার মীতৈ, ৫শুবা এম আরগী ৱাই ওপেন, ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসকী দব্লিয়ু কিরন অমসুং ৬শুবা আই আর বিগী এল সুভাসচন্দ্রনি। অদুগা মণিপুর পুলিস বোদি বিল্ডিং টিমগী কোচ ওইরিবা অহানবা আই আর বিগী হবিলদার ৱাই নিলবিরবুসু বেষ্ট টিম কোচ ওফ দ ইয়র ২০১৭কী মনা ফংখ্রবনি।

মেচ ওফিসিএল ৭তা সো কোজ নোটিশ থাখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচএনএস): উখ্রুলদা হৌজিক হৌজিক চথরিবা তাঙ্খুল নাগা ফ্রান্স লেবর ফুটবোল সেন্টিনরি ২০১৭তা অম্ফাগী অয়াবা য়াওদনা শরুক য়ারম্বা মেচ ওফিসিএল ৭ তা সো কোজ নোটিশ পীখ্রে।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) গী চেরোল অমনা হায়, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন্না হায়জরকপগী মতুং ইন্না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না তাঙ্খুল নাগা ফ্রান্স লেবর ফুটবোল সেন্টিনরি ২০১৭কীদমক মেচ কম্মিস্নর ২ অমসুং রেফ্রি৯ মেচ কন্দক্ট তৌনবগীদমক থাখি। হায়রিবা মেচ ওফিসিএলশিং অদুনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন্দা রিপোর্ট তৌখি। অদুবু অম্ফানা থারিবা ওফিসিএলশিং অসি মেচ অমা ফাওবা কন্দক্ট তৌহন্দনা মথংগী নুমিৎ দিসেম্বর ১০দা শিল্লি লাংলিবশিংনা হলহল্লকখি। অদুগা শিল্লি লাংলিবশিংনা অন ওফিসিএল ৭পু টুর্নামেন্ট অসিগীদমক এনগেজ তৌরমখি। টুর্নামেন্ট অসিগীদমক অন ওফিসিএল ওইনা এনগেজ তৌরম্লবা রেফ্রিশিং অসিনা মখোয়গী মথক্তা এক্সন লৌরোইদ্দবগী মরম করিনো হায়বদু শন্দে দাক্লা তাক্লনবা অমদি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসনগী মায়কৈদগী মতৌ করম্না থোকখিবনো হায়বগী শুগাইবা ৱারোল অমা খঙহল্লক্লবা অম্ফাগী মায়কৈদগী খঙহনখ্রে হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

পি বি বি পি টি সীগী লিফটরশিং তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচএনএস) : ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা ইন্টরনেসনল পৱরলিফটিং ফেন্দরেসন অমসুং এসিয়ন পৱরলিফটিং ফেন্দরেসনগী মীৎয়েং মখাদা ইন্দিয়ন পৱরলিফটিং ফেন্দরেসন্না শিন্দুনা দিসেম্বর ৪দগী ৯ ফাওবা নুমিৎ তরুকনি চুপ্না কেরলাগী এলেপি জিমদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন ক্লাসিক পৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৭তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুবা মণিপুরগী পাঙ্গনবা বোদি বিল্ডিং এন্দ পৱরলিফটিং ট্রেনিং সেন্তর (পি বি বি পি টি সী) গী লিফটরশিং ঙসি তরাম্না ওকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা লৈবাক ১৮দগী লিফটর ২০০ অমদি য়ূম্বু ওইরিবা ইন্দিয়ন টিমগী লিফটর ১৫০ পূন্না লিফটর ৩৫০না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা এসিয়ন ক্লাসিক চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী পি বি বি পি টি সীগী লিফটর মরি অমসুং কোচ সুশিলাবু ঙসি অয়ূক পুং ১০ তাবা মতমদা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা এসোসিএসন অসিগী ওফিসিএলশিং, ওল মণিপুর পৱরলিফটিং এসোসিএসন (এ এম পি এল এ) গী ওফিসিএলশিং অমসুং কৈশামথোং এলাংবম লৈকায়গী মীয়ামনা লৈ পরেং হুক্তুনা হরাউ তরাম্না ওক্লবা মতুং পাঙ্গনবা বোদি বিল্ডিং এন্দ পৱরলিফটিং ট্রেনিং সেন্তর (পি বি বি পি টি সী) না শিন্দুনা কৈশামথোং এলাংবম লৈকায়দা লৈবা ইবুধৌ চিংজেল নারিন পাঙ্গনবা কম্যুনিতি হোলদা অমুক ওকখি।

ওকপগী থৌরম অদুদা পি বি বি পি টি সীগী লিগেল এদভাইজর এন সিবদাস, এসোসিএসন অসিগী এদভাইজর ঈ দোলেন্দ্রো, ওল মণিপুর পৱর লিফটিং এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এন জি থোইবা, পি বি বি পি টি সীগী এদভাইজর ঈ ইবোচৌ, নেসনল ফুটবোল কোচ ঈ রতন অমসুং এক্টর জি বোনি শর্ম্মানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াদুনা মেদল লৌরক্লবা লিফটর অমসুং ইন্দিয়ন পৱরলিফটিংগী কোচ ওইনা শরুক য়ারুবা সুশিলাদা পুক্লিং থৌগৎখি।

LG Motors Vehicle Marup
AREA COVER: MANIPUR STATE

L.G. Motors না মখল খুদিংমক্কী গাড়ী (2 wheeler, 3 wheeler, 4 wheeler), Machinary Items অমসুং Electronic Items গী মরুপ Term অনীরক (চহী ১০) মায় পাক্না শান্নখ্রবা মতুংদা অহুম্লক (৩) শুবা Term লাক্লিবা চহী January 2018 দগী হৌজরগনি।

মরুপকী শন্নপ্পা কানবশিং :-

১) 6months (6 term) য়াওরবা মনুংদা Winner ওইহৌদ্রবশিংদা Loan (লোন) ওইনা লৌবা য়াবগী খুদোংচাবা পীগনি।

২) মরুপ অসি Manipur গী মফম খুদিংমক্কী মীওইশিংনা য়াওবা য়াগনি।

৩) মরুপকী Agent ওইবশিংদা লেম্না গাড়ী মচা অমা ফংবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈগনি।

L.G. MOTORS
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, H.Q
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING, IMPHAL WEST, MANIPUR
CONTACT No.:- 8731978490
OFFICE HOUR: 9.30AM TO 4.00PM
BRANCHES:- SEKMAI KOUJENGLEIMA, SAMUROU NEAR MACHU HALL, KAKCHING OPP. P.S., THOUBAL OKRAM, NAMBOL PHOIJING LAMBAN, MOIRANG PATLOU.

HL-B/4172/17/10-14/12

1 NATION TAX MARKET GST

গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স

শাবা লোইদ্রিবা অমসুং শীজিন্নবা য়ারবা প্রোপর্টিদা জি এস টি এপ্লাই তৌবগী মতাংদা শেংদোকপা

জি এস টিগী লোগী মতুং ইন্না, মপূম ওইনা নৎত্রগা মচেৎ ওইনা ৱাইয়র অমদা য়োনগদবা কমপ্লেক্স অমা নৎত্রগা বিল্ডিং অমা য়াওনা সিভিল ষ্ট্রকচর, বিল্ডিং, কমপ্লেক্স অমা নৎত্রগা মদুগী শক্তম অমা শাবা হায়সি, তঙাইফদবগী মতুং ইন্না কম্পিটেন্ট ওথোরিটিনা কমপ্লিসন সার্টিফিকেট পীবদগী শেলনচিংবা কন্সিদরেসন পূম্বা য়ানরবা নৎত্রগা খ্বাইদগী অহানবা ওইনা ওকুপাই তৌবা নত্তবা ওইরবদি সার্ভিসকী সপ্লাই অমনি অমসুং জি এস টি থিনীংঙাই ওই।

১. বিল্ডিং য়োনবা হায়বসি পোৎচৈশিংগী সপ্লাইসু নত্তনা সার্ভিসশিংগী সপ্লাইসু নত্তবা এক্টিভিটি নৎত্রগা কন্সিদরেনেল অমনি (জি এস টি এক্ট ২০১৭কী সেদ্যুল III গী পেরা ৫)

২. মথক্কী ফেক্টশিং অসিনা মরম ওইদুনা **শীজিন্নবা য়ারবা নৎত্রগা মপূং ফারবা প্রোপর্টিদি জি এস টি এপ্লাই তৌনীংঙাই ওইদে**। মখাদা খন্নরিবা অসিগুম্না জি এস টি অসি শাবা লোইদ্রিবা প্রোপর্টি খক্তদা থিনীংঙাই ওই।

কমপ্লিসন সার্টিফিকেট ইস্যু তৌরবা প্রোপর্টি	শাবা লোইদ্রিবা প্রোপর্টি	
	কন্সিদরেসন অপূম্বা জুলাই ১, ২০১৭কী মমাঙদা বিল্ডরদা পীখ্রবা	কন্সিদরেসন মচিৎ অমা জুলাই ১, ২০১৭কী মমাঙদা বিল্ডরদা পীখ্রবা
সী জি এস টি এক্ট, ২০১৭কী সেদ্যুল II গী পেরা ৫ (b) গী মতুং ইন্না শীজিন্নবা য়ারবা নৎত্রগা মপূং ফারবা প্রোপর্টিদা জি এস টি এপ্লিকেবল ওইদে।	জুলাই ১, ২০১৭কী মতুংদা শাবা লোইবা ওইরবসু অসিগুম্বা প্রোপর্টিগী জি এস টি থিনীংঙাই ওইদে। পোইন্ট ওফ টেক্সেসন রুলস, ২০১১ সার্ভিস টেক্সতা এপ্লিকেবল ওইবনা মসিগী ট্রাঞ্জেক্সন অসি চাদা ৪.৫গী সার্ভিস টেক্স থিনীংঙাই ওই, জি এস টিগী মখাদা এপোইন্ট তৌবা তারিখকী মাঙওইননা পেমেন্ট তৌবা নৎত্রগা ইনভোইস শেমখিবা ওইবদা এপোইন্ট তৌবা নুমিৎতুগী মাঙওইননা পোইন্ট ওফ টেক্সেসন লাকই। অসুম্না অসিগুম্বা ট্রাঞ্জেক্সন্দা জি এস টি নত্তবা সার্ভিস টেক্স থিনীংঙাই ওই।	সার্ভিস টেক্সকী চাদা ৪.৫ শেমখিবা ইনভোইসশিংদা নৎত্রগা জুলাই ১, ২০১৭কী মমাঙদা পীখিবা কন্সিদরেসন্দা থিনীংঙাই ওই। অদুম ওইনমক জুলাই ১, ২০১৭তা নৎত্রগা মতুংদা ইস্যু তৌখিবা ইনভোইসশিংগী মায়োক্তা বাইয়রনা বিল্ডরদা পীবা শেনফমদা চাদা ১২গী চাংদা জি এস টি থিনীংঙাই ওই।

জি এস টিগী রেট

বাইয়রদা লমগী ইন্টরেষ্ট নৎত্রগা লমগী ইন্দিভিজুএল সেয়র ট্রান্সফর তৌবা চংবা বিল্ডর অমদগী শাবা লোইদ্রিবা রেজিদেন্স নৎত্রগা কম্মর্সিয়েল প্রোপর্টিশিং লৈবদা থিনীংঙাই ওইবা জি এস টিগী ইফেক্টিভ রেট অসি মপূং ফাবা ইনপ্যুট টেক্স ক্রেদিট (আই টি সী), লোয়ননা চাদা ১২নি। [পোপর্টিগী শেনফমগী শরুক ৩ থোকপগী ২দা চাদা ১৮গী চাংদা জি এস টি থিগনি; শেনফমদুগী শরুক ৩ থোকপগী অমদি বাইয়রদা সপ্লাই তৌবা লমগী ভেল্যু ওইনা নৎত্রগা লমগী অন্দিবাইদেদ সেয়র ওইনা খন্নগনি।]

সব-কন্ট্রেক্টর অমনা বিল্ডরদা ফংহল্লিবা কন্সত্রক্সন সার্ভিসশিংগুম্বা লমগী ট্রান্সফর শরুক ওইনা লমগী অন্দিবাইদেদ সেয়র ওইদবা শেল পীথোক পীশিন্দা মপূং ফাবা আই টি সীগা লোয়ননা চাদা ১৮গী ষ্টেন্দার্দ রেটতা জি এস টি থিনীংঙাই ওই।

GST- A Good & Simple Tax
Tweet us at @askGST_GoI for any GST related query
Helpdesk : 1800-1200-232, 0120-4888999
সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ এক্সাইজ এন্দ কষ্টমস এন্দ কম্মসিএল টেক্সেস দিপার্টমেন্টস ওফ ষ্টেটস/য়ুনিয়ন টেরিটোরিস
www.cbec.gov.in, www.cbec-gst.gov.in

davp 15502/13/0277/1718

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com